# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা



Charles Chaplin



Buster Keaton



Edith Mckenzic

- অসুম্না Bloom মমা মচাদু ১৯৫১গী সেপ্টেম্বর ১৯দা হোলিরুদতা থুংঙরে। মখোয় য়ূমদা চাক চামিন্নবদা চার্লিনা Bloom না চয়োল তরেৎ কমদৌনা লৈগদগে হায়বদু মুন্না তাক্লে। অদুগা ফিল্ম নম্বা হৌগনি হায়রে। চিঞ্জাক শেম্বা, জিম চৎপা অদুদগী রিহার্সেল তৌবা, বেলেট ক্লাস মথং মথং তৌবা তাখি। ফিল্মগী ফিজেৎকী মতাংদসু Bloom দা চার্লিনা থায়না মমানা শেৎখিবা ফিজেৎতু শেৎনবা তাক্লম্মী। Knitted Cardigan শেৎপা, ঙকথোন ৱাংবা ব্লাউজ লিৎপা, মচু শিথরবা বেলবেৎকী জেকেট লিৎপা, ৱা ঙাঙবদসু অৱাবা শক্লোন পুবা, লোইনা তম্বীরে চার্লিনা।
- চার্লিগী পাউতাক তারবা মতুংদা Claire Bloom না হায়খি, ''চার্লিনা মমানা শেৎলম চারম্বা ফিজেৎ তাকপদা নত্তনা মাগী ইহান হান্না নুংশিনখিবা Hetty Kelly গী ফিজেৎ ফাওবা মঙোন্দা তাকখি। চার্লিগী থুংনখিদ্রবা নুংশিবা পুন্সিদু হিংগৎহনবা পাম্বা মানখি।''
- ফিল্মদু নম্বা হৌরে। অদুবু নুমিৎ হুমনি নমখিবা ফিল্মদু চার্লিনা পামদ্রে হায়রে। মদু মাগী হান্নগী কেমেরা পায়বা Rollie Totheroh না অহল ওইশিল্লকপননি খনখি। অদুনা মাবু Consultant ওইনা থমখ্রে। কেমেরা পায়নবগীদমক up-to-date technician, Karl Struss পু নেকখ্রে।
- অসুম্না চার্লিনা ফনা কন্না হোৎনদুনসু Claire Bloom বু থা ৩ ৱায়বা অদুদা লোইশিনবদি ঙমখিদ্রে। খরা চোন্থনা ৱায়বা তারে। সুটিং নুমিৎ ৫৫নি চঙখ্রে, অমুক হনবগী নুমিৎ ৪নি য়াওরগা। Claire না কপ্পা মান্দবগী কয়ারক হনবা তাখি।
- ফিল্ম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা মতাংসি অরিবা মরুপ Comedian অফাওবা Buster Keaton গা চার্লিগা পাদুনা কূম্বা মতাংদুনি। ৱা ঙাঙবা ফিল্ম থোক্ত্রিঙৈদগী খঙনরক্লবা কোমেদিয়ন অনীদুনা অমুক পূন্না কূমমিন্নবা অহানবনি। Keaton না চার্লিদগী চহী ৩ চোন্থরগা Hollywood তা ১৯১৭তা লাকখিবনি। ফিল্ম অদুনা Keaton না তৎতৌরবা Piano অমা খোংবা শারিবনি। মমিৎসু শোল্লবা।
- Keaton না The Limelight ফিল্মদুগীদমক চয়োল অহুম হায়বদি দিসেম্বর ২২দগী ১৯৫২গী জন্যুৱারী ১২ ফাওবা থবক তৌরম্মী। অসুম্না ফিল্ম অদুগী অরোইবা শোট অসি ১৯৫২গী জন্যুৱারী ২৫দা নমখি। অসুম্না কুইনা লৈমিন্নরকপগী নুংশি লিপুন্না পুনখ্রবা Claire Bloom মমা মচাদু নুংঙাইতা-নুংঙাইতা ১৯৫২গী ফেব্রুৱারী ১৩দা ইংলেণ্ডগীদমক কালিফোর্নিয়া থাদোকখ্রে, Santa Fe Chief জহাজ তোংখ্রে।
- অদুবু চার্লিনা ফিল্মদু ইদিটিং তৌরকপদদি অমুক হন্না নমদবা য়াদবা মতাং য়াওরম্লে, অৱাৎপসু খরা লৈরম্লে। অদুবু Claire Bloom কৌদ্রে। উনানা দবল রোল ওইনা মহুৎ শিনখ্রে। অদুম্না ওগষ্ট ২দা Paramount Studio Theatre দা প্রিভিয়ু তৌরে। মী ২০০ রোম তিনখি।
- মশানা ইবা, পুথোকপা, দিরেক্সন পীবা, কূমসু কূম্বা ফিল্ম অদু উৎপা নুমিত্তু চার্লি মশানা কদায়দা শোয়খিগদগে হায়না চেকশিন্না শেন্নে। হেক মৈ মমখিবগা, উৎপা হৌবগা মানা প্রোজেক্টর কাদা চঙখিদুনা সাউন্দগী চাং শেন্নখি। মানা হায়জখি, "It was the most exciting night I spent in a Projection Room."
- ফিল্ম অদু হেক লোইবগী মৈ ঙাল্লকপদা য়েংলম্বা মীয়ামদু লেপখৎলকখি অদুগা লাউরকখি - "Bravo!" হোলিরুদকী মীয়ামদুনা চার্লিবু ইকায়খুম্নরকপগী খোল্লাউনি। অদুদগী চার্লিনা ষ্টেজদা থোক্লক্তুনা মীয়াম্বু খুরুমজে অদুগা হায়, "Thank You. I was scared. You are the first people in the world to have seen the picture. It runs two hours and thirty minutes."
- মথংদি চার্লিনা Limelight হায়বা ফিল্মদু লন্দন্দা প্রেমিয়র শো উৎনীংলক্লে। অদুনা উনা অমদি মচাশিং য়াওনা চৎনবা শেম শারে। মদু উৎলম্নগা অশাংবা ছুটি অমা কোয়নবা থৌরাং তৌখ্রে। উনাগীদি অহানবা খোঙচৎনি ইংলেন্দা। অদুনা ন্যু য়োর্কতা, কালিফোর্নিয়াদা উৎপা য়েংলমদ্রে, সেপ্টেম্বর ৬তা খোঙশানখ্রে।

  থিন্দোক্লকপা Tim Durant তা রেল ষ্টেসন্দা কাঙথোক্লম্মী মদুদি মহাক অমুক হল্লক্লরোই। অসুম্না ন্যু য়োর্কতা মখোয়বু ঙাইরিবা Harry Crocker গা পূনখ্রে, সেপ্টেম্বর ৯দা ব্লুম্না তোংখিবা জহাজ Santa Fe Chief হায়বদু কাখৎখ্রে। চায়োকপী Edith Mckenzic অমদি মচা ৪গদি চয়োল অমগী মতুংদা পাইখ্রে মখোয়গীনাক্তা।
- চার্লি হৌজিক নীং-তম্লে। অমরোমদনা অমেরিকানা মহাক অমুক চঙলকপা থিংবগী চে থোক্লে। মরু ওইনা মদু মানা অমেরিকাগী সিটিজন ওইয়ু য়াদবা অমদি কম্যুনিজম শৌগৎপগীনি। অসুম্না চহী ৪০ মশাগী Career শেমফম ওইরম্বা, ময়ূম লীংদুনা লৈরম্বা অমেরিকা থাদোক্লম্লে।

-মথং-মথং

## মায় পাকখ্রবশিংনা তোখায়বা থবক অমা তৌবা নত্তে, ময়াম্না তৌনরিবদু আতোপ্পা মওংদা তৌবখক্তনি !

# কমদৌনা ওইরকখিবগে ?

## মায় পাকখ্রবা মীওইশিং...

### রিচার্দ চার্লস নিকোলাস




তোঙান তোঙানবা কম্পনি ৪০০ রোম লৈবা ভর্জিন গ্রুপ হৌদোকখিবা রিচার্দ চার্লস নিকোলাস ব্রেন্সন কুমজা ১৯৫০ গী জুলাই ১৮ দা লন্দনগী ব্লেকহিথতা পোকখি। মচীন-মনাও অহুমগী মনুংদা খ্বাইদগী অহলনি। মখাদা মচলনুপী অনী লৈ। অপোকপা এদৱার্দ জেম্স ব্রেন্সন উকিলনি অমসুং অপোকপী ইভ ব্রেন্সননা এয়র হোষ্টেজনি।

ব্রেন্সন অহানবদা বর্কশাইরগী স্কেটক্লিফ স্কুলদা মহৈ তম্বা হৌখি। তুংদা অমুক সসেক্সকী ক্লিফ ভিয়ু হাওস স্কুলদা তমখি। মথংদা মহাক্না বকিং হেমশায়রগী ষ্টো স্কুলদা মশাগী চহী ১৬ শুরকপফাওবা তমখি। দিসলেক্সিয়াগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা মরম্না মহাক লাইরিক ফবা মহৈরোয় ওইরমদে। দিসলেক্সিয়া হায়বসি পুক্নিং ৱাখলগী ওইবা অশোয়বা অমনি। মসিনা মরম ওইরদুনা অঙাং অমবু মহৈদা পুক্নিং চঙবা ঙমহন্দে। ব্রেন্সনগী মওং-মতৌ মুন্না খঙলবা স্কুলগী হেদমাষ্টরনা নোংমা হায়খি মদুদি চাউরক্লবা মতমদা মহাক কৈশুমশঙদা পুন্সি লেনবা অমা নৎত্রগনা শেঞ্জাও পায়বা মীশক অমা শোয়দনা ওইগনি।

পীশক পীক্লিঙৈদগী মমা মপানা হীরম খুদিংমক্তা পূক্নিং থৌগৎতুনা লাকখিবা ব্রেন্সননা মপুন্সিদা অহানবা ওইনা 'দ ষ্টুদেন্ট' কৌবা চেফোঙ অমা পুথোকখি। মথংদা মহাক্না লন্দনগী ওক্সফোর্দ ষ্ট্রিটতা ঈশৈগী রেকোর্দ য়োনবা দুকান অমা হাংদোকখি। মতৌ অসুম্না শেন খরা তাল্লবা মতুংদা রেকোর্দিং ষ্টুদিও অমা হাংদোকখি।

কুমজা ১৯৮৪ দা মহাক্না ভর্জিন এটলান্টিক এয়রৱেজ, কুমজা ১৯৯৯ দনা ভর্জিন মোবাইল অমসুং কুমজা ২০০০ দা ভর্জিন ওষ্ট্রেলিয়া হৌদোক্তুনা মায় পাকপগী কৈরাক্তা তপ্না তপ্না কাবা হৌখি। কুমজা ২০০৬ তা মহাক্কী মরল-মথুম পাওন্দ বিলিয়ন ৩ লোম ওইদুনা ''সন্দে টাইমস'' না ফোঙবা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীওইশিংগী লিষ্টতা তরুকশুবদা লৈরম্মী। মথংদা মহাক্না রেলৱেগী বিজনেসতা মীৎয়েং থম্লদুনা ''ভর্জিন ট্রেন্স'' হৌদোকখিবগা লোয়ননা এনভাইরনমেন্টতা অকায়বা পীরোইদবা মওংদা থাউ পুথোকপা, পাউচে পুথোকপা স্পেস টুরিজম্নচিংবা হীরমদা খূৎ থারম্মী। এষ্ট্রোনোট নৎত্রবসু ইচম চম্বা মীওইশিংনা স্পেসতা কোয়নিংলবদি শেল পুথোকচরগা কোয়বা ফংজনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

কুমজা ২০০৭ কী ফেব্রুৱারি ৯ দা মহাক্না 'দ ভর্জিন অর্থ চেলেঞ্জ' কৌবা সাইন্স অমদি টেক্নোলোজিগী মনা অমা মালেমগী থাক্তা পীরগনি হায়না লাউথোকখি। মালেমগী ঈশিং নুংশিৎকী কুয়োমদগী গ্রীন হাওস গ্যাস লৌথোক্তুনা অঙৈং-অশাগী খল কায়হন্দনবা থৌরাং লৌখৎপা ঙম্বা মীওইদা দোলর মিলিয়ন ২৫ গী মনা পীগদবনি। কুমজা ২০০৮ গী জানুৱারি ১০ দা মহাক্না তোঙান তোঙানবা মফমদা হেল্‌থ ক্যের ক্লিনিক কয়ামরুম হাংদোক্তুনা অনা লায়েংগী লমদা মরু ওইবা থৌদাং লৌনবা ৱাফম লাউথোকখি।


মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলদুনা কুমজা ১৯৯৯ দা ব্রেন্সননা ইন্টরনেশনেল সেন্তর ফোর মিশিং এন্দ এক্সপ্লোইটেদ চিলদ্রেন (আই সী এম ঈ সী) লিংখৎখি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি মাঙখ্রবা অঙাংশিং থিবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা অঙাংশিং তাথি-তাওইনা তৌবীবগী থৌওং থিংনবা হোৎনবনি।

য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা শেঞ্জাও পায়বা মীশক অমা ওইরকপগা লোয়ননা মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া তৌবগীদমক মালেমগী থাক্তা ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইরবা মনা কয়া ফংখ্রবা ব্রেন্সননা কুমজা ১৯৮৯ দা জোনগা লুহোংদুনা হোলি কৌবা মচানুপী অমগা সেম কৌবা মচানুপা অমগা ফংজখি।

কুমজা ১৯৯৯ দা নাইটহুদ ফংখিবা মীওই অসি ফোর্বসনা ফোঙবা কুমজা ২০১১ গী লিষ্টতা মালেমগী ১১ শুবা খ্বাইদগী ইনাকখুনবা মীশক ওইবা ঙমখি। বৃটিশ মচাশিংগী মনুংদনা মরিশুবা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীওইনি।

# মকোক থোংবা হোলিরুদ এক্ট্রেসশিং

## নাটালি পোর্টমেন



কুমজা ১৯৮১ গী জুন ৯ দা পোকখিবী নাটালি পোর্টমেন অমেরিকা অমদি ইজরেলগী সিটিজন পূন্না ওইবা এক্ট্রেশনি। অপোকপগী মিং এভনর হর্শলেগ অমসুং অপোকপীগীনা শেলি ষ্টিভন্স কৌই। মখোয় অনী ওহাইয়ো ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী জ্যুৱিশ ষ্টুদেন্ট সেন্টর অমদা ইহান হান্না থেংনবদগী নুংশিনরকখিবনি। নটালিনা ৱাশিংটন দি সিগী চার্লস ঈ স্মিথ জ্যুৱিশ দে স্কুল, লোং আইলেন্দগী জ্যুৱিশ এলিমেন্টরি স্কুল অমসুং ন্যু য়োর্ককী সোলোমোন দে স্কুলদা মহৈ তম্বা হৌরকখি। মতুংদা মহাক্না কুমজা ১৯৯৯ দা লোং আইলেন্দগী স্যোয়েট হায়স্কুলদগী গ্রেজুয়েট লোইশিনখি।

ন্যু য়োর্ককী অমেরিকন থিএটর দান্স ৱর্কশোপ অমদি উসদান সেন্টর ফোর ক্রিএটিভ এন্দ পর্ফোমিং আর্টসতা অনৌবা মতমগী জগোই খূৎথেক তম্লবা মতুং কুমজা ২০০৩ দা হার্ভার্দ য়ুনিভর্সিটিদগী সাইকোলোজিদা গ্রেজুএশন লোইশিনখি। মহৈ মশিং তম্বদা থোইদোক হেন্দোক্লা থৱায় য়াওজবা নাটালিনা জেরুসলমগী হিব্রু য়ুনিভর্সিটিদা গ্রেজুএট কোর্স অমগসু তমথখি। তুংদা মহাক্না কুমজা ২০০৬ কী মার্চ থাদা কলম্বিয়া য়ুনিভর্সিটিদা গেষ্ট লেকচরর ওইখি।

মপুন্সিগী অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৯৪ দা ''লিওন: দ প্রোফেশনেল'' দা মমা-মপা লৈজদ্রবা অঙাং অমগী শক্তম লাংদুনা ফিল্মদা খোঙদাবা হৌখি। অদুবু এক্ট্রেশ অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙবীখিবদি ''ষ্টার ৱরস'' গী ট্রিলোজিদা পদমে অমিদালাগী শক্তম লাংখিবদগীনি।

কুমজা ২০০৫ দা ''ক্লোজর'' দা মশক থোকপা পর্ফোমেন্স পীখিবগীদমক গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফংখিবগা লোয়ননা বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসকী কেটগোরিদা একাদমি এৱার্দকী নোমিনেশন ফংখি। কুমজা ২০০৬ তা ''ভি ফোর ভেন্দেটা'' দা কূমখিবগীদমক সেটর্ন এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস ফংখি। কুমজা ২০০৮ দা খ্বাইদগী নহা ওইবা জ্যুরি মেম্বর ওইনা ৬১ শুবা এন্যুয়ল কেন্স ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াখিবা নটালিনা ইহান হান্না দিরেক্সন পীখিবা ফিল্ম ''ইভ'' না কুমজা ২০০৮ গী ৬৫ শুবা ভেনিস ইন্টরনেশনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল হৌদোকখি। কুমজা ২০১০ দা সাইকোলোজিকেল থ্রিল্লর ''ব্লেক স্বান'' দা উৎখিবা পর্ফোমেন্স য়েংলগা মঙোন্দা একাদমি এৱার্দ, গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ, স্ক্রিন এক্টরস গিল্ড এৱার্দ, বি এ এফ টি এ এৱার্দ অমদি ব্রোদকাষ্ট ফিল্ম ক্রিটিক্স এসোসিয়েশন এৱার্দ পীখি।

নটালিনা অহানবদা অমেরিকন ফোক শৈশকপা দেবেন্দ্রা বেনহার্টকা নুংশি-মরী থম্নখি। অদুবু মখোয় অনী য়াম্না কুইনদি লোয়নখিদ্রে। মথংদা মহাক্না বেলেট দান্সর বেঞ্জামিন মিলেপাইদকা অমুক নুংশিনখি। মখোয় অনী ''ব্লেক স্বান'' ফিল্ম নম্ফমদা থেংনখিবনি। বেঞ্জামিননা ফিল্ম অদুগী কোরিওগ্রাফরনি। কুমজা ২০১২ গী ওগষ্ট ৪ দা মখোয় অনী লুহোংদুনা মচানুপা অমা ফংজরে।

# শম ফনবা কাঙলোন চুম্না কোক তুম্বগী কান্নবা

মীওইবনা অয়াম্বা মতমদা চাং নাইনা কোক তূম্লবসু কাঙলোন চুম্না কোক তূম্বগী মওংদি ইখঙ খঙনদবগুম তৌরি। অচুম্বা মওংদা কোক তূম্বনা শম ফবা, ফজবা অমদি মপাঙ্গল কনবা হেনগৎহল্লি। অমরোমদা অশোয়বা মচা খজিক-খজিক্লা শমখোঙ অমদি শম্নাদা হায়নিংঙাই লৈতনা অমাঙ-অতা থোকহল্লি। মতৌ করম্না অচুম্বা মওংদা কোক তূমগদগে হায়বগী মতাংদা ইচম-চম্বা কাঙলোন খরদং খঙমিন্নসি:-



- ফি শূবামতমদা ফিশু সাপোন নোইদ্রিঙৈদা হান্না চোৎহনবগুম কোক তূম্বা মতমদসু শেম্পু য়াওদ্রিঙৈদা কোক্কী শরুক শীনবা থুংনা চোৎহনবা মথৌ তাই। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং শীজিন্নরবদি শম কারক অমসুং শমখোঙদা পকপা অমোৎপশিং নীংথিনা লৌথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা থাউরেকসু কোকহল্লি।
- শম শাংবা মীওইশিংগীদমক্তদি কোক তূমদ্রিঙৈদা কনি দশনর হান্না শীজিন্নগদবনি। মসিনা শমদোল পোকখায়বা ফহনবগা লোয়ননা শম ফবা অমসুং ফজবা হেনগৎহল্লি।
- শেম্পু লুজবা মতমদা শমখোঙ খক্তদা মরু ওইনা লুজগদবনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি শমখোঙ ময়া নকপা শম্নাগী শরুক অদু হৌগৎলকপা কুইদ্রিবনিনা ওইলি ওইবা অমসুং মোৎপা হেল্লি। অমরোমদা শম্নাগী মতোন থংবা শরুক অদুদি হৌগৎলকপা কুইরবনিনা ইকং কংশিল্লকই।
- কোক তূম্বা মতমদা নংহৌররোই মতাগুম তহা-তহা শমখোঙদা কন্না নোইবা য়াদে। মমল তাঙবা ফিরোল শূবদা য়াম্না চেকশিন্না করিদা শোয়খিগদগে হায়দুনা তপ্না শূবগুম কোক তূম্বদসু য়াম্না তপ্না অমদি চেকশিন্না শেম্পু নোইগদবনি।
- শেম্পু বোট্টল মনীংদা ইনিংবা ইন্সত্রক্সন ইজসনু অমুক্তদা হঞ্জিন-হঞ্জিন শেম্পু লুজবগী মথৌ তাদে।
- ঈশিং অচম্বনা কোক থাদোক্লবা মতুংদা শমদগী অহেনবা ঈশিং খরা শুমদোক্লগা কন্দিশনর তৈশিনবা য়ারে। চেকশিনগদবা অমনা শমখোঙদা কন্দিশনর খক তৈরোইদবনি।
- কোক তূম্বা পুমলোই লোইরগা ঈশিং অঙৈংবনা শেংনা থাদোক্কদবনি। মসিনা শমখোঙ চেৎশিলহল্লি।



ইশা ইশাগী শম মখলগা চান্নবা শেম্পু অমদি কন্দিশনর শীজিন্নবা মথৌ তাই। শম দ্রাই ওইবা মীওইশিংনা মোইচরাইজিং প্রদক্ট শীজিন্নগদবনি। শম মচু শঙবা তারগনা কলর-সেফ ফোর্ম্যুলা য়াওবা শেম্পু শীজিন্নবা কান্নগনি।

শম য়াম্না ওইলি ওইবা মীওইশিংনা নুমীৎ খুদিংগী কোক তূম্বা মথৌ তারবসু নোর্মেল নৎত্রগা দ্রাই ওইবা তারবদি চয়োল অমদা অহুম্লক্তগী হেন্না কোক তূমলোইদবনি। খ্বাইদগী ফবদি ফিলটর তৌরবা অরুবা ঈশিংনা কোক তূম্বনি।

# গজর চনমগী চট্নি করম্না শেমগদগে

*মহাউ লৈনা গজর-চনমগী চট্নি শেম্নবা থৌরাং তৌবদা মিনিট ৩০ রোম চঙই অমসুং শেম-শাবদনা মিনিট ২০ লোম চঙই।*

**চঙগদবা পোৎচঙ :**

- লৈবাক হৱাই মরু খরা (তংখায় খায়দোক্লবা)
- রাই পাউদর গ্রাম ৬০।
- থুম চামচ মরি।
- চিনি গ্রাম ৩৬০।
- মোরোক অকংবা মকূপ গ্রাম ১৫।
- শিং গ্রাম ৩০।
- চনম মনাউ অনী (শুগাইরবা)
- জীরা অশুবা চামচ তংখায় অমা।
- ভিনেগর কপ অমা মখায়।
- গজর কেজি অমা মখায়।




**শেম শাবগী মওং :**

- মৈথক্তা খাং অমা থাংগৎলগা অশোইবা গজর, চনম অমদি শিং হাপচিল্লো।
- তোয়না ওৎতুনা মহী কংশিন্দ্রিবা ফাওবা থমগদবনি।
- রাই পাউদর, চিনি, থুম, লৈবাক হৱাই অমদি ভিনেগর হাপচিল্লগা মহী নঙশিলহল্লো।
- মখুম য়াওবা পাত্র অমদা হৈজিল্লগা মনিল চৎলোইদবা মওংদা চেৎনা মখুম খুমজিল্লো।
- নুমিৎ নীনিগী মতুংদা তলগা চামিন্নবা অদুমক য়ারে।

